# হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর, বি জে পি মিনিষ্টরশিং সাইকল তোংদুনা এসেমব্লী কারকখ্রে



*হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর মনোহরলাল খতারনা মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিংগা লেয়ননা সাইকল তোংদুনা এসেমব্লী মীফম য়াওনবা লাকখিবা*

*চান্দিগর, আগষ্ট ৩১ঃ*

হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর মনোহরলাল খতারনা মহাক্কী মিনিষ্টরশিং অমসুং পার্টিগী এম এল এশিংগা লোয়নননা সাইকল থৌদুনা হরিয়ানা এসেমব্লী নোংজু মীফম অরোইবা নুমিৎতা ঙসি লাকখ্রে।

শীংথানিংঙাই ওইরগদবা থৌওং অমা ওইনা আইন শেম্বা কাংবু অদুনা কার শীজিন্নবগী মহুৎ থাও কন্ননবগী খোঙথাং অমা ওইনা সাইকল তোংদুনা এসেমব্লী কারকখি।

কুর্টা–পায়জমা অমসুং হেল্ফ জেকেট লিৎপা মনোহরলাল খতারনা মহাক্কী সেক্টর–৩দা লৈবা ওফিসিয়েল রেসিদেন্সতগী হরিয়ানা এসেমব্লী তম্না কিলোমিটর ১ রোম শাংবা লম্বী অদু সাইকল তোংদুনা লাকখি।

খতারনা হায়, মসিনা ইনভাইরেন্টমেন্টতা ফহনগনি। মীয়াম্না য়ামদ্রবদা নোংমদি সাইকল শীজিন্নগদবনি। লুচিংবা অদুগী ৱাখল্লোল অদু মহাক্কী মিনিষ্টর খরা অমদি এম এল এ কয়ানা তুং ইনখি।

হরিয়ানাগী চীফ পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি শ্যাম সিংহ রানাসু খোঙনা ওৎপা সাইকল রিক্সো শীজিন্নদুনা এসেব্লীদা লাকখি। লুচিংবা অদুনা সি পি এসকী লুচিংবা ত্রিখা অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর জগদিস চোপ্রাসু রিক্সো অদুদা পুরকখি।

মমাঙদা এম এল এ কয়ানা ই–রিক্সো (ইলেক্ট্রোনিক রিক্সো) দা এসেমব্লীদা লাকখিবা লৈখি। নোংমগী ওইনা শীংথানিংঙাই ওইরগদবা মওংদা চত্থখিবা থৌওং অদুনা মতেং অমা ওইরগনি।

হরিয়ানাগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও পি ধনকারনা হায়, ওইরক্লিবা খোঙথাং অসি পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা অমনি। মীয়াম্না ষ্টেট অদুগী লুচিংবা অমসুং পোলিটিকেল লিদরশিংনা অদুম্না তৌরবদি মখোয়সু করিগী তৌরোইদৌরিবনো হায়বা ৱাখল ফাওরক্কনি হায়খি।

হরিয়ানা ইং ২০১৪গী ওক্টোবর থাদগী হৌনা ভারতিয়া জনটা পার্টিনা লৈঙাক পায়রক্লিবা মফম অমনি। লমদম অদুদা চীফ মিনিষ্টর মনোহরলাল খতারনা মহাক্কী মিনিষ্টরশিং অমসুং এম এল এ ক্য়ানা এসেমব্লীদা সাইকল তোংদুনা লাকখিবা অদুনা মীয়ামদা পাউজেল অমা পীরগনি।

মীওইশিং অদু কার শীজিন্নবা ঙম্বা ওইরবসু সাইকল তোংদুনা এসেমব্লী কারকখিবনি। সাইকল থৌবা হায়বদুনা ইনভাইরোন্টমেন্টতা অকায়বা অমত্তা থোকহন্দে। মীয়াম্নসু য়ারিবমখৈ সাইকল শীজিন্নহনবা পাম্বগী ৱাফম ফোঙদোক্লি।

সাইকল শীজিন্নবনা মহৌশাগী ওইবা ফিভম অমসুং মীয়ামগী শেল–থুমগী লমদা হেন্না খুদোং চাহনগনি হায়রি।

# মালেসিয়াদা লৈবা হিন্দু লাইশঙদা এটেক চত্থনবা থৌরাং তৌরম্বা আই এস আই এস মিলিটেন্ট ৩ ফারে

*কৌলালম্পুর, আগষ্ট ৩১ঃ*

মালেসিয়াগী নিংখাতম্বা নুমিৎকী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ চৈরক্তা লৈবাক অদুদা লৈবা মমিং চৎলবা হিন্দু লাইশঙ বাটু কেফ য়াওনা মফম কয়াদা ইস্লামিক ষ্টেট ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস) মিলিটেন্টশিংনা এটেক চত্থনবা হোৎনরম্বগা মরী লৈননা মিলিটেন্ট ৩ ফারে।

মীওইশিং অদু লৈবাক অদুগী স্পিসিয়েল ব্রাঞ্চ কাউন্টর–টেরোরিজম দিভিজননা ফাখিবনি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না সেলাঙ্গোর অমসুং পহাংদা চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা এটেক চত্থনবা হোৎনরমখিবনি।

লমদম অদুদা লৈবা হিন্দু লাইশঙশিংদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লিঙৈ চৈরক্তা এটেক চত্থনবা হোৎনরমখিবা মীওই ৩ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফারে। মদু লৈবাক অদুগী নিংখাতম্বা নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কদবগী মাংওইননা ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়না থৌরম অদুগী মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস খালিফ আবুবাকরনা ফোঙদোরক্লি।

বাতু কেফ হায়রিবা মফম অদু হিন্দুশিংগী মমিং চৎলবা লাই মুরুগনদা কথোকপা মফম অমা ওইরিবনি। অহানবা ওইনা চহী ২০ লোম শুরবা মীওই অমা ওগষ্ট ২৭তা গ্রেনেদ অমসুং পিষ্টোল লোয়ননা নাইন এম এমগী মরু কয়াগা লোয়ননা ফাগৎখিবা লৈখ্রে।

হায়রিবা খুৎলায়শিং অদু লমদম অদুগী মিদল মেনশিংদগী ফংখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি। অদুগুম্বা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চহী ২৭ অমসুং ২০শুরবা মীওই অনী ওগষ্ট ২৯দা ফাগৎপা ঙমখি।

মখোয়না লমদম অদুদা মখল কয়াগী এটেক চত্থনবা হোৎনরমখি হায়বা খঙবা ঙম্লে। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না মীওইশিং অদুদগী হেন্দ গন অমসুং নোংমৈ মরু ২৪ লোয়ননা গ্রেনেদ অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা মীওই অনী লমদম অদুদা লৈবা য়ু য়োনবা দুকানশিংদা থবক তৌবনি হায়বসু খঙবা ঙম্লে। খালিফনা হায়, ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্ট মুহম্মদ ৱানদি জেটি, মালেসিয়াদা শকখঙনরবা ইস্লামিক ষ্টেটকী মরু ওইবা থৌদাং লৌবা মীওইশিং কুলালম্পুরগী মতাইদা লৈবা বার অমদগী হৌখিবা জুন থাদা ফাগৎখিবা লৈখ্রে। মীওইশিং অদুগী থৌশিল মখাদা মালেসিয়াদা কাংলুপ অদুনা মায় পাক্না এটেক চত্থবা ঙমখিবনি হায়রি।

মালেসিয়ানা পাসপোর্ট লৌখিবা মীওই ৬৮ মশক খঙদোকপগা লোয়ননা মীওইশিং অদু ইস্লামিক ষ্টেটতা য়াওননবা চৎখ্রে হায়বা খঙবা ঙমখি। পুলিস ইন্টিলিজেন্সনা পীরকখিবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না মার্চ থাদা মালেসিয়া মচা ১৮ সিরিয়াদা থোকখিবা লান্‌ফমদা লৈখিদ্রে। অদুগা অতোপ্পা মীওই ৭না সুসাইদ এটেক চত্থবদা শীখ্রে হায়রি।



*হিন্দু লাইশঙদা এটেক চত্থনবা হোৎনরমখিবা ফারবা মিলিটেন্ট অমা (ময়াই)*

# রেদিওলোজিষ্টশিংনা সেপ্টেম্বর ১দা লৈবাক শীন–থুংনা ষ্ট্রাইক চত্থরগনি




*অগ্রা, আগষ্ট ৩১ঃ*

প্রি–কন্সেপসন এন্দ প্রি–নেটেল দাইগ্নোষ্টিক টেক্নিক এক্ট ১৯৯৪ (পি সি পি এন দি টি)গী প্রোভিজনশিং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা অলট্রা সাউন্দ, সি টি স্কেন অমসুং এম আর আইগী ক্লিনিকশিং য়াওনা রেদিওলোজিষ্টশিংনা সেপ্টেম্বর ১দগী হৌনা ষ্ট্রাইক চত্থরগনি হায়রি।

নেসনেল রেদিওলোজিকেল এন্দ ইম্মেজিং এসোসিয়েসনগী নেসনেল প্রসিদেন্ট ডাঃ ভুপেন্দ্র আহুজানা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসনগী অগ্রাদা লৈবা হোলদা মীফম পাঙথোকখ্রবা মতুং মতম কক্তবা ষ্ট্রাইক অদু চংশিনগনি হায়না লাউথোরকখিবনি।

ডাঃ অহুজানা হায়, ইন্দিয়ান রেদিওলোজিকেল এন্দ ইম্মেজিং এসোসিয়েসনগী মেম্বর লৈবাক অসিদা লিশিং ১২ হেন্না লৈ। মখোয়শিং অদুনা ওর্গনাইজেসন অদুগী খোঙজং অদুদা শৌগৎলক্কনি।

হায়রিবা লম অদুদা থবক তৌরিবা থৌমীশিংদা শোকহল্লিবা প্রোভিজনশিং লৌথোকপগী ৱাফম নত্রগা শেমদোকপা লৈরবদি য়ান্নবা পুরকপা য়াই। অদুম ওইনমক ফিভম অদু য়ৌদ্রিফাওবদি মতম কক্তনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চংশিনগনি হায়রি।

ইন্দিয়ান ফেদরেসন ওফ অলট্রা সাউন্দনসু হিরম অসিদা শৌগৎলক্লি। য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর জে পি নদা অমসুং মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েলশিংগা কয়ারক হন্না ৱারী শান্নখ্রে। অদুম ওইনমক ফল অমা ফাওবা লাকখিদে।

মদুনা মরম ওইরগা রেদিওলোজিষ্ট শিংদা খোইশাওনহল্লে। পি সি পি এন দি টি এক্টকী মখাদা পীরিবা প্রোভিজনশিং অদু মতিক চাদে। অপীকপা হিরম অমগী মতাংদা ডাক্তর অমবু ফাবা নত্রগা মহাক্কী প্রেক্টিস তৌবগী লাইসেন্স ককপগা অমদি সস্পেন্দ তৌবগী ৱাফম য়াওরি।

ডাক্তর আহুজানা মখা তানা শন্দোক্না ফোঙদোকখিবদা মীরোল্লবী নুপী অমা অলট্রা সাউন্দ লৌদ্রিঙৈ মমাঙদা ৱাহং ২৬কী চপ চাবা পাউখুম পীবা দরকার লৈহল্লি। অপীকপা অশোইবা নত্রগা কাম্থোকপা য়াবা থবকশিংনা প্রেক্টিষ্ট তৌবরিবা ডাক্তরশিংদা অৱাবা পীরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ।

মদুনা মরম ওইরগা ষ্ট্রাইক অদু চংশিনবনি। ষ্ট্রাইক অদুনা হেল্থ সেক্টরদা চাওনা খুদোংচাদবা থোকহল্লবা য়াই। ডাক্তরশিংনা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা পাস তৌখিবা এক্ট অদু য়ান্নবা অমগী মখাদা এমেন্দ তৌনবা ৱাফম কয়াসু থল্লি।

# মুর্সিদবাদ দিষ্ট্রিক্টতা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সনা হেরোইন কিলোগ্রাম ১ ফারে

*কোলকতা, আগষ্ট ৩১ঃ*

ইন্দিয়াদগী বঙ্গলাদেশতা পুশিনখিনবা হোৎনবা হেরোইন কিলোগ্রাম ১ রোম মুর্সিদাবাদ দিষ্ট্রিক্টকী লালগোলাদগী বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)না ঙসি ফারে।

বি এস এফনা অকক্নবা পাউ অমা ফংবগা লোয়ননা লালগোলা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বঙ্গলাদেশকা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা আইন কাইনা হুরানপোৎ লল্লোনবগী থবক চত্থরে হায়বা পাউ ফংখি।

বি এস এফকী লান্মীশিংনা ঙমখৈ পরিং অদুদা চখোক–চৎশিন তৌবশিং কুপ্না য়েংশিনখি। মীওই খরনা খাও অমা অন্তর জাতিগী ঙমখৈ পরিংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বঙ্গলাদেশ লোমদা লংশিন্নবা হোৎনবা খঙদোকপা ঙমখি।

মীওই অদু নুমিদাংগী অমমবগী খুদোংচাবা লৌদুনা মফম অদুদগী নাম্থোক্লুবা হোৎনখি। মখা তানা লমদম অদুদা থি–হুম্বগী থবক চত্থবদা পোলিথিন খাও অমদা খাও মচা মচা ১৩দা পেকিং তৌবা ৱাওথাংনবা মচুগী হেরোই কিলোগ্রাম ১ য়াওরম্বা থেংনখি।

বি এস এফকী কাংবু অদুনা থেংনখিবা পোৎলমশিং অদু মখা তানা থিগৎপগী থবক চত্থনবগীদমক লালগোলা পুলিস ষ্টেসনদা শীন্নখ্রে হায়রি।

চৎলিবা চহী অসিদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী খা থংবা ফ্রন্টিয়রদা বি এস এফনা ময়াই কাবা পোৎলম কয়া ফাগৎখিবা লৈখ্রে। লোয়ননা ময়াই কাবা পোৎলমশিং অদু থাংদোক থাংজিন তৌননবা হোৎনখিবা মীওই অহুমসু ফাগৎখি হায়রি।

# লুপা লাক্ষ ২৫গী গঞ্জা ফারে



*রামেশ্বরম, আগষ্ট ৩১ঃ*

ইন্টর্নেসনেল মার্কেটতা লুপা লাক্ষ ২৫ রোমগী ওইগদবা গঞ্জা কিলোগ্রাম ২৫ ঙসি ধানুসকোদি কোষ্ট গার্দনা ফাগৎপা ঙমখ্রে। অদুগুম্বা ফিভম অদু য়েংশিন্নবগীদমক কোষ্ট গার্দকী পেট্রোল টিম অমনা অকনবা থবক পায়খৎলি।

সি জি ষ্টেসনগা নক্নবা মফমশিংদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি হায়না কষ্টমস ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

আইননা থিংখ্রবা পোৎলমশিং অদু ফারে হায়বা মফম অদুদা ওফিসিয়েলশিং চংশিনখি। তুংদা পোৎলমশিং অদু কষ্টমস ওফিসিয়েলশিংদা শীন্নখি।

কষ্টমস ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা ফারবা পোৎলমশিং অদুগী মতাংদা থিগৎপগী থবক চত্থরি। পোৎলমশিং অদু শ্রীলঙ্কাদা হুরানপোৎ ওইনা পুশিন্নবা হোৎনরমগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি।

লৈবাক অসিদা আইননা থিংখ্রবা পোৎলমশিং ফাবগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে। গঞ্জা ফাবগী থৌদোকশিংদা অৱাং নোংপোক থংবা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগা মরী লৈনরম্বসু থেংনখিবা কয়া লৈখি। অৱাং নোংপোক লমদমদগী আইননা থিংখ্রবা পোৎলম অদু থাদোরকপগী খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্নরি হায়রি।

# জপানদা টাইফুন লাকপদা অহল ওইরবা মীওই ৯ শীহনখ্রে



*টৌকিয়ো, আগষ্ট ৩১ঃ*

অৱাং থংবা জপানদা লৈবা অহল ওইরবা মীওইশিংগী হোম অমদা অকনবা টাইফুন হুমজিল্লকপনা মরম ওইরগা মীওই ৯ শীহনখ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু মশক মমিং খঙদোক্লুবা হোৎনরি হায়না জপানগী ইৱাটে পার্ফেকচুয়েল পুলিসকী মকোক সুকো সকামোটোনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ইৱাইজুমিদা হুমজিল্লকখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মীওই ৯ শীহনখ্রে হায়বা কনফার্ম তৌরে। লোয়ননা লমদম অদুদা শাথিবা ঈচাও থোকহল্লে হায়রি।

পুলিসনা মী কন্নবা চংশিনবদা অশিবা হকচাংশিং অদু থেংনখি। এন ঐচ কে ন্যুজ এজেন্সিগী ভিদিও ফুটেজতা হায়রিবা খুদোংথিবা নংলবা মফমশিং অদুদা হেলিকোপ্টর চংশিল্লক্তুনা তম্থায় য়ৌনা লৈখোম লৈনাংনা ফুমজিনখ্রবা মীওই কয়া কন্নবা হোৎনখি।

টাইফুন লিয়োন ৱোকনা জপানগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা য়ৈশিল্লকপনা মরম ওইরগা অকনবা নোং চুখি। অকনবা নোংনা লমদম অদুদা ঈচাও থোকহনবগা লোয়ননা মৈ পীবগী থবক্তা চাওনা অকায়বা থোকহনখি হায়রি।

# নেও–জমদ–উল মুজাহিদ্দিনগী লুচিংবা অনী ইন্দিয়াদা লৈ

*ধাকা, আগষ্ট ৩১ঃ*

বঙ্গলাদেশকী লালহৌলুপ জমদ–উল–মুজাহিদ্দিন (জে এন বি)গী মকোক থোংবা লুচিংবা অনী য়ুমথংনরিবা লৈবাক ইন্দিয়াদা লৈ হায়বগী চীংনবা ফোঙদোরক্লি। মখোয়না ইন্দিয়াদা লৈদুনা বঙ্গলাদেশকী কোনুং ধাকাদা লৈবা কেফেদা টেরোরিষ্ট এটেক চত্থখিবা অদুগী শেল–থুমগী মতেং পীরকখি হায়বগী চীংনবা লৈ হায়না রিপোর্ট অসিনা ফোঙদোরক্লি।

জে এম বিগী লুচিংবা অনীগী মনুং অমা ওইরিবা সরিফুল ইস্লাম খালিদনা ফোঙদোকখিবদা য়ুনিভর্সিটি প্রোফেসর অমা ফাদুনা হাৎখিবা অদু হায়রিবা থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈনৈ হায়না মরাল শীরক্লি।

মামুনুর রসিদ রিপোন এলাইজ জহঙ্গির অমসুং খালিট চহী অসিগী এপ্রিল থাদা ইন্দিয়াদগী লাকখিবনি।

মখোয় রাজসহিদ য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর হাৎখিবা নুমিৎ অদুগী হেক মতুংদা লৈবাক অদুদা থুংলখিবনি। রিপোন অমসুং খালিদনা য়ুমথংনবা লৈবাক ইন্দিয়াদা লোৎতুনা লৈখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-683**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | 8 | | | | | 5 | 1 |
| 6 | | 4 | | 5 | 7 | 3 | | |
| | | | | | 6 | | 8 | 7 |
| | | 6 | | | 2 | 5 | | |
| | | 9 | | | | 8 | | |
| | | | 1 | 6 | 8 | | | 2 |
| | 3 | 1 | | 4 | | 2 | | |
| 4 | | 2 | 3 | | | 7 | | |
| 7 | 8 | | | 2 | | | | 4 |

**সনা–সুদোকু– ৬৮২ গী সোল্যুস**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 8 | 9 | 1 | 3 | 5 | 2 | 4 | 7 |
| 2 | 1 | 3 | 7 | 9 | 4 | 6 | 8 | 5 |
| 5 | 7 | 4 | 2 | 6 | 8 | 1 | 9 | 3 |
| 7 | 4 | 8 | 9 | 5 | 1 | 3 | 2 | 6 |
| 9 | 3 | 5 | 6 | 7 | 2 | 8 | 1 | 4 |
| 1 | 6 | 2 | 8 | 4 | 3 | 7 | 5 | 9 |
| 4 | 2 | 6 | 3 | 8 | 9 | 5 | 7 | 1 |
| 3 | 9 | 1 | 5 | 2 | 7 | 4 | 6 | 8 |
| 8 | 5 | 7 | 4 | 1 | 6 | 9 | 3 | 2 |

# অরুনাচল প্রদেশতা এ আরদা এটেক চত্থখিবসু এন এস সি এন – কেননি হায়না ক্লেম তৌরকখ্রে

*দিমাপুর, আগষ্ট ৩১ঃ*

অরুনাচল প্রদেশকী চাংলাং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা রিলাংকাং খুঙ্গংদা ইন্দিয়ান আর্মিদা এটেক চত্থখিবা অদু নেসনেল সোসিয়েলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম (এন এস সি এন – কে)না চত্থখিবনি হায়না ক্লেম তৌরকখ্রে।

ওগষ্ট ২৮দা চত্থখিবা এটেক অদুদা অশোক অপন কয়া য়াওখি হায়রি। এন এস সি এন – কেগী চেরোল অমগী মতুং ইন্না নাগা লান্মীনা অসাম রাইফলসকী কাংবু অমদা এটেক চত্থখি।

নাগা আর্মিগী কাউন্টর এটেক অদুদা অসাম রাইফলসকা মায়োক্নদুনা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্নখি। লানফম অদুদা মেছিনগন অমসুং সব মেছিনগন অমদি ৪০ এম এম গ্রেনেদ লোঞ্চরশিং শীজিন্নখি হায়রি।

তুংদা নাগা আর্মিনা লমদম অদুদা নাইট ভিজন গোগল শীজিন্নদুনা মীওই কয়া লায়কন্ননবা হোৎনখি। চত্থখিবা এটেক অদুদা কা হেন্না অশোক অপন নংলমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

এন এস সি এন – কেনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা নাগা আর্মিগী ইলাইট ষ্ট্রাইক য়ুনিটনা বরাক সিবিলোং ভিলেজ ফাওনা চৎপা জিরিবাম ইম্ফাল হায়ৱে নম্বর ৩৭কী টমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা চৎলিবা থা অসিগী ২৯গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ তাবদা অকনবা এটেক চত্থখি হায়রি।

# দিল্লিদা ঈচাও থোকপনা মরম ওইরগা ত্রাফিক্তা অকায়বা থোকহনখ্রে হায়দ্রবাদতা অকনবা নোংনা মীওই ৭ শীহনখ্রে

*হায়দ্রবাদ, আগষ্ট ৩১ঃ*

ঙসি হায়দ্রবাদতা চুখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা অঙাং মরি য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৭ শীহনখ্রে। দিল্লি অমসুং গুরুগ্রামদসু অকনবা নোং চুবনা মরম ওইরগা হৌখিবা নুমিৎ নিনিদা ত্রাফিক জাম থোকহনখ্রে।

অকনবা নোংনা দিল্লিগী মফম কয়াদা ঈচাওগা মান্নবা ফিভম অমা মায়োক্নহল্লে। ন্যু দিল্লিগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংগী লম্বী সরক কয়া ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈরি। ঈশিং মরক্তা গারী কয়া লান্ননবা হোৎনরি। চকা অনী পানবা গারী থৌবা মীওইশিংনা লম্বীদগী ৱাংখৎনা লৈবা খোঙ লম্বীশিংদা থৌদুনা চৎনরি।

হায়দ্রবাদ ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা রমনথাপুরদা লৈবা য়ুম অমা অকনবা নোংনা নিংখায়হনখিবনা মরম ওইরগা অঙাং অনী অমসুং মখোয়গী মমা–মপা শীহনখ্রে। থৌদোক অদু মীওইশিং অদুনা তুম্লিঁঙৈ মতমদা থোকখিবনি।

ভোলাটপুর লমদমদা লৈবা য়ুম অদুগী মথক থংবা শরুক নিংখায়রকপনা মরম ওইরগা মীওইশিং অদু শীহনখি। হায়দ্রবাদ মেটেরোলোজি ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না লমদম অদুদা হৌখিবা পুং ২দা মিলিমিটর ৯৫.৭৫ য়ৌনা নোং চুখি হায়রি।

ষ্টেট অদুগী কোনুংদা ত্রাফিক জাম থোকপদা নত্তনা মফম অদুগী মরুওইবা মফমশিং ঈশিং থুমজিল্লকখি। ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখিবদা অকনবা নোং অদুনা মরম ওইরগা লমদম অদুদা ত্রাফিক্কী খুদোংচাদবা থোকহনখি। গারী কয়া লম্বীগী মতাইদা খামদুনা লৈনখি।

সহর অদুগী মফম ১০০ হেনবদা ঈশিং থুমজিল্লকপা অমসুং ত্রাফিক জাম থোকপগী ৱাকৎ ১০০ হেন্না লাকখি হায়রি। পাউ অসিগী মতুং ইন্না দিল্লিদগী পায়গদবা ফ্লাইট ১২ হেন্না থেংথহনখ্রে। ওফিসিয়েলশিংনা লমদম অদুগী মীওইশিংদা লম্বীদা চৎতনবা খঙহনখিবসু লৈখ্রে হায়রি।



DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD
MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI
MBBS in INDIA, KAZAKHSTAN & CHINA
10th Times Installment to be paid Within 5 Years
NO DONATION
NO PROCESSING FEE
NO VISA FEE
EDUCATIONAL LOAN AVAILABLE
# NOTICE #
No Free Laptop, No Free Mobile
No, Free For Travelling Fare
No Free Tab
GET SCHOLARSHIP BENEFIT OF UPTO 20 LACS
BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI
B. Tech/BE (☞ Rs. 70,000/ yr)
Civil, Mech, EEE, ECE, IT, ARCHITECTURE & CSC
B.Sc Nursing, GNM & BPT (Physiotheraphy) at Guwahati & Bangalore
Agriculture, Forestry & Horticulture at Dehradun
Regional Office :-
Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATION TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy, Opposite SBI ATM Booth, Imphal East
✆ 9856167106 ✆ 8259867645
SL/B/14th July- 20th Sept. 2016